# সাহিত্যগী কাখল

## শৈরেং

### শিদোক্লসি ৱাঙলবা পল

**বিনাশ্বোরি অয়েকপম**
**কোনুং মমাং পুরানা রাজবারি (২)**

লৈকোন অমদা শাৎমিন্নবা
লৈহাও অমখক্তদা হিংমিন্নবা,
নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরম্বা,
অৱাবা কোঙ্গাই খাঙমিন্নরম্বা,
অমনা অমদা তেঙবাংনরম্বা,
ঙসিদি লৈকোনদুগী লৈরাশিংদো
মীরমদগী পাইশিল্লকপা ফৎত্রবা
মহিক অমনা লান্দখ্রে।
নুংশি চান্ননা হিংমিন্নরম্বদো
হাৎনরে ঈগী লৈহাও ওল্লে
থোৎচ-নৌজখ্রবা লৈরাংশিংদো
শা-ওল্লে ঈ থক্লবনিনা।
পুন্না শাৎমিন্নরম্বা মখোয়দো
ওহোক ওহোক্তুনা শাৎনরে
নপাক নপাক তান্নরে
থম্মোয় শোকপা খরনদি
লাও খোংই চোংজৈ
ঐখোয়না নুংশিনা হিংমিন্নসে
ইমা অমত্তগী মচানি
পুৱারিনা শাক্কিনে।
অমুকসু তেংথাজরকই লৈরাশিংদুনা
মহিক্লা নহাক্লা পাইরক্লমদ্রবা
লৈকোনসে শকখঙনরমগদবনি লৈনম্মা,
মালেমগী কাচিন-কোয়া থুংলমগদবনি
পামুখ্রেদা, কল্লকখ্রেদা, মরাইবক থিখ্রেদা।
মহিক্তুননি খঙমিন্নরোবা নখোয়বো
হান্নগুম নুংশি চান্ননা শাৎমিন্নরো
উৎলম্মু থৌনা মালেমসিদা
নখোয়নবু পুন্না লেপখ্রবা
কনাবু কিরুনি মালেমসিদা
খঙমিন্নরসি মহিক্তুননি
ঐখোয় মশেলগী মরক্তা
খারিবা ৱাংলবা পলসে।

### লৈখোং শোম্লো মালিও

**চন্দ্রমনি লাইফ্রাকপম**

পঙলবা গাধাদগীসু তম্মিঙাই লৈবনি
ঐনা মহেল্লে খনফরোই তাইবঙদা
ইন্দ্রিনা মনিং তম্বদি অৱাবনি
লায়থুংদি য়েক্লবনি লাইবক্কীদি খল্লুনু
শামু মনিংদা পেনা খোংলুবদি
লৌবুক্তা ফৌহাম হুনবগা পাংখক্লি
খুবাক নাম্মতমক খুবদি হৌদবনি

কল্লক চাওবা তাইবঙনা নোক্লখিনি
নিংথিবা লীচৎনা নুপীবু কোনশিল্লি
হু থক্লগা হিংগে খল্লুনু
ঈশিং থক্লগা শিখিবনা ফগনি
থম্মোয়বু ঙালহল্লু কান্নবা ৱাখলনা,
মীনা নিংবগা লাইবক্লা তম্বগা
তোঙান তোঙাল্লি ময়া সংসারসিদা
চাওখৎপা নাইবা লম্বীদা চঙশিল্লু
পুন্সিদু মঙাল ফংগনি শোয়দনা
নুংশিবা মীৎয়েংনা মকা লামদুনা
পুক্লিংবু লাঙ্গোই চনশিল্লু তাইবঙগী
ফংগনি তৌজরুবা কর্ম্মগী ফল
লমথুংফমগা লম্বেলনা পুন্না চৎমিন্নৌ
উহৈ পাল্লগা মরু লুকপনি
থন্দবা চফুনা মখোল থোকপনি
ষন্দা গীতা থিরুনু অরেম্বদা
থম্মোয় লৈনম্না লৈকোলগী মগুন্নি
নিংথিবা লৈরাংনা অতিথি কৌশিল্লি
খুৎশেম্না কৌশিল্লু ময়া মরি চিকাগুম
ঈচাও থোক্লনি থম্মোয় লৈকোল।

### অশোনবা পন

**যুর্যমনি য়ুম্নাম**
**তেরা অমুদোন**

থোৎচবী নৌজবী
মীয়ামগী খোল্লাওনি
অচুম্বা ৱাহৈনি,
চিনফাদি পুরি
ফিজেৎকী খল্লুদে
লমচৎসু উরুদে।
চেকশিন্দ্রবা নতৌনা
শাফোঙলি শাথুপকদবা
লৈতেংনি হায়রি
নুপী মান্নবা
ঈহৌরকপদা ঙাইরিবা
অঙাওবা ঈচেলগুম্বা
নৌজরিবা কয়া
ময়াই কাহল্লি।
নংগী শাথেক্লা।
ফিজেৎনা লৈতেংনা
ৱাহৈনা মীৎয়েংনা
খারিবা পন
অসুম নেমথরক্লে
খঙনিংবা উনিংবগী
খাঙমদবগা লোয়ননা
অঙাওবা ঈচেলদুনা
ইদুনা য়েংই
অশোনবা পনদু
নমখায়রগে মতৌনি।

### থৱাইগী তেংথা

**বিজেন্দ্রজিৎ তেলেম**
**ৱাংখৈ, নিংথেম পুখ্রি মপাল**

ঐবু
হান্না খঙহল্লু
উহল্লু ফিদা
কদাইদনো,
শিরবা মতুংদা
ঐগী থৱাইগী পম্বুং,
মদু নত্রবদি
হাৎকনু ঐবু!
তাউ নঙ
ঐগী থৱাইগী তেংথা,
তাগদবনি
তাদবা য়ারোই
মরমদি
নঙনা ঐবু হাৎতোকপীবনি।

### নুংশিনা হিংমিন্নসি

**থোকচোম সনাহল মীতৈ**
**ফাজ্ঞংখোং**

নুংশিদ্রা য়েংঙুনে
তেনখ্রবা মীওইপোক্কী মপোক্লি
মীওইবা ঐখোয়গী পুন্সিসে ঙসিগী তাইবঙদা।
কাওথোক্লরি ঙসিগী মালেমসিদা
হাৎতোক্লরি মীনুংশি খঙদনা অমনা অমবু।
শাহিং চাবা শাগী শক্লোন লৌ।
মচা কায়নরবা মমা কয়াগী
নিল্লি তেংথাখোলতনা মালেমসিদা।
চৎনবীনি তাইবঙদা
পোক্লবদি শিবা
কয়াম কুইনবু হিংখিনি।
লৌনম, নমথাক পুম্নমক তোক্লসি
অমুক্তদি নুংশিনা হিংমিন্নসি
হিংশা মুখৎতুনা
নুংশিনা হিংমিন্নবগীদমক
ঐখোয় মীকপ থোক্লসি।

### ইমাগী থম্মোই

**এঃসি ঙাহোইবী, হৈঙাং।**

মালেম লৈকোয় পুংসিদা
নুপী মিংথোল মিংগৌনা
চারোল শুরেল লিংবগী
ঙক্ল-কুয়োম্না য়োম্লবী
শায়োন ঙম্বী নুপীশিংনি।
নুপীলক্তগী তোমথিনবী
তোপ্না শকপু খঙলবী
মৈতৈ লৈবাক্কী চনুশিং
মালেমগী ৱারীদা য়াওরিবী
চাওথোকচৈদো পেঙ্গনা
মুৎনাইদ্রবা থৌনা অদুগীদমক।
ৱারবা য়ুমগী কুপনোমলক্তা
লুম্লবা লৈবাক্কী থৌদাংবু
নীংহন্নদা পুরিদো
মায়থোং কুচু হোংদুনা।
অৱাবনা নুংদা লোৎশিনখি
শক্তিগী ঈনোৎ হাপ্পুনা
থৌনাগী নৌবু পায়রগা
নীংতম নাউশুম হাইরিবা
লৈনাগুম থোৎপী থম্মোয়দু
নুংগা পাংখক ওইরিদো।
মীকুপ অমা পোথাদ্রি
তাশিন-খোমজিন শেন্নজবা
লৌরি য়ুম্ফম মনুংদসু
চাকথুং অমা ফাওবদি
মপু ওইনা থুংখিদ্রে।।
থোৎনা নৌবী মায়থোঙনা
ইজৎ পুম্বা ঙাক্লগা
ইকায়-ইকি মায়োক্লে
মহৌশাগী খুদোলদা
ফনেক ফিদোল চিংখৎনা শেৎ
খ্বাংচেৎ ফিবু লাক্তুনা
চরে নমদা কুপ্লগা
নোংজু -নুংশা খঙদনা
হোইবু লাউনা চৎলিদো
লমজিং মৈরাদি ওইদুনা।।
তমথিবা থৌওং খাঙদুনা
নিংশা মপি হোল্লফাও
চৈরুদে ৱাহৈ অকনবা
লাকশিনজৈদো মরোমদোম
নুংশি মীৎয়েং হোংদনা।
নাইতোম ৱাখল থাদোক্লা
অপুনবা ৱাখলনা চেৎনা পুন
লৈবাক মপুগী থৌওংবু
খাঙবদা ৱারবা মীয়ামগী
মহুৎ শিন্না চোংথোক্লা
নীংতম লালহৌ হৌখিদো
নুপী লিংজেল উখোক্লা।।
চনুরাশিংদি মৈত্রবাক্কী
কাওবা ঙম্নরোই ঐখোয়না
তাইবঙদা নুমিৎ তাদ্রিঙৈ।।
ইমা হায়না কৌরগা
পুম্নমকপু খঙলদ্রা
চনুরা ওইবী নখোয়সে?

## চয়োলগী রাশি ফল

**জ্যোতিষ: পুয়াম ইবোপিশক সিংহ**
মোবাইল নম্বর ৮০১৪৬৯৮০৪৯
মে তাং ২৭ দগী জুন তাং ২ ফাওবগী

**মেষঃ** তাং ২৭ দগী তাং ৩১ ফাওবগী মনুংদা লমদা চৎপা, ইমুং লাংবা, ৱাখল শাবা মতম ওই। অনৌবা পাউ তাগনি। শা-ষনগী মরী ফৈ, লৌউ-শিংউবগী থবক চাওখৎলি। মনা-মশিংগী করবার কান্নবা ৱাৎলি। মীনা কল্লকই। ৱানোম্বা চক্রি থাংই। শেল মখোং পাল্লি। তাং ১দগী তাং ২ ফাওবগী মনুংদা লৈফম হোংই। নিংবা থুংবা ৱাৎলি। মহৈ তম্বদি নিংবা থুংবা ৱাৎলি। হকচাং চরক-চহিং তৌই। পাখং-লৈশাবীগী ওইনদি নুংতিগী ৱারী শাবা ফংই।

**বৃষ ঃ** তাং ২৭ তগী তাং ৩১ ফাওবগী মনুংদা ৱাখল য়াম্না খল্লি। থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙমদে। ৱানোম্বা ৱাহৈ নুংশি। থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙমদে। অরাপ্পদগী পাউ তাই। নিংবদি থুংদে। লমদা চৎলি। অনৌবা মরুপ উন্নে। মরুপ ফবা ৱাৎলি। শা-ষনগী মরী ফবা ৱাৎলি। লৌউ-শিংউবগী থবক চাওখৎলি। তাং ১দগী তাং ২ ফাওবগী মনুংদা ফিগী, সনাগী, লুপাগী করবার চাওখৎলি। মীঙোন্দা লৈখিবা শেল ফংই। পাখং-লৈশাবীগী ওইনদি থুংনৈ।

**মিথুন ঃ** তাং ২৭ দগী তাং ৩১ ফাওবগী মনুংদা মীঙোনদা লৈখিবা শেল ফংই। মহৈ ফজনা তৌই। শুব-নোম্বা, করবার তৌবা, শা-য়েন, ঙা য়োকপগী থবক চাওখৎলি। লৈফম হোংই। নিংবা থুংই। মীনা মশক খঙবী। ৱানোম্বদি চক্রি থাংই। তাং ১দগী তাং ২ ফাওবগী মনুংদা ঠিকা তৌবা, লৌউ-শিংউবগী থবক কান্নবা ৱাৎলি। শেল মখোং পাল্লি। মহৈ তৌবদি ফজনা চৎলি। পাখং-লৈশাবীগী ওইনদি হায়ন-শিংনৈ।

**কর্কট ঃ** তাং ২৭ তগী তাং ৩১ ফাওবগী মনুংদা গাড়ীগী থবক, মৈগী থবক, শোকপা-পনবা পীরি। লৌউ-শিংউবগী থবক, শা-ষনগী মরী নিংবা থুংদে। শেল চৎলি। মীনা য়েংশিল্লি। য়েক্লবা য়াম্মী। মরী মতা থুংলৈ। থৌদোক য়াম্মী। মথৌ চিল্লি। তাং ১দগী তাং ২ ফাওবগী মনুংদা ফম হোংই। নিংবা থুংবা ৱাৎলি। মীঙোন্দা লৈখিবা শেল মচিৎ মচিৎ ফংই। করবার কান্নবা ৱাৎলি। পাখং-লৈশাবীগী ওইনদি অমগা অমগা মুক্লে।

**সিংহ ঃ** তাং ২৭ তগী তাং ৩১ ফাওবগী মনুংদা মীৱা তাই। শুব-নোম্বদি কল্লি। শেল মাংই। নিংবা থুংবা ৱাৎলি। অশিন-অরাং শাই। মরী মতা চাওই। মচা-মশু ফংই। মরু-মরাংগী করবার, উগী, য়োৎকী করবার চাওখৎলি। মহৈ চরক চহিং তৌই। লাই-তিনগী থবক থৌরমদা পক্লিং চংবা মতম ওই। তাং ১ দগী তাং ২ ফাওবগী মনুংদা লমদা চৎলি। নুংঙাইবা পাউ তাই। মরী-মতাগী উপাই ফংই। মীঙোন্দা লৈখিবা শেল ফংই। মরুপ য়াম্মী। পাখং-লৈশাবীগী ওইনদি নুংতিগী ৱারী শাবা ফংই।

**কন্যাঃ** তাং ২৭ তগী তাং ৩১ ফাওবগী মনুংদা শেল চৎপা, ইমুং-মনুং শেম শাগৎপা, মরী মতা চাওবা, থৌদোক য়াম্বা, মথৌ য়াম্না চিনবা মতম ওই। লমদা চৎপা , অনৌবা পাউ তাবা, নিংবা থুংবা ৱাৎপা, লৈফম হোংবা মতম ওই। মীনা কল্লকই। শা-য়েনগী করবার কান্নবা ৱাৎলি। তাং ১দগী তাং ২ ফাওবগী মনুংদা মহৈ ফজনা চথবা ঙম্মী। হরাও-কুম্মৈ, লিলা-ড্রামা পুক্লিং চংবা পাম্বা মতম ওই। করবার চাওখৎলি। শা-য়েন, ঙাগী মরী ফৈ। পাখং-লৈশাবীগী ওইনদি লুহোংই।

**তুলা ঃ** তাং ২৭ তগী তাং ৩১ ফাওবগী মনুংদা থৌদোক য়াম্বা, মথৌ চিনবা, ৱাখল য়াম্বা, তুশিনবা পীরি। শেল মচিৎ-মচিৎ চৎকনি। মীনা কল্লকই। য়েক্লবা চাওই। শা-ষনগী মরী ফবা ৱাৎলি। করবার নিংবা থুংদে। লমদা চৎপা কায়দে। মহৈ চরক-চহিং তৌই। লৌউ-শিংউবা কান্নবা ৱাৎলি। তাং ১দগী তাং ২ ফাওবগী মনুংদা ৱানোম্বা চক্রি থাংই। মরী মতা চাওই। শেমগৎ-শাগৎপা কল্লি। শেল মখোং পাল্লি। পাখং-লৈশাবীগী ওইনদি মুক্লে।

**বৃশ্চিক ঃ** তাং ২৭ তগী তাং ৩১ ফাওবগী মনুংদা শেল মখোং পানবা, অনৌবা পোৎ-চৈ লেপ্পা মতম ওই। লমদা চৎপা কায়দে। ইমুং-মনুং চক্রি থাংই। মীনা তৌবা থবক নিংবা থুংদে। ৱাখল খোইশাওনবা মতম ওই। শা-ষনগী মরী ফবা ৱাৎলি। তাং ১দগী তাং ২ ফাওবগী মনুংদা লমদা চৎলি। লৈফম হোংই। য়েক্লবা য়াম্মী। মীঙোন্দা লৈখিবা শেল ফংই। অরু-অহেনগী পোৎ-চৈগী করবার, খুৎশু- খুৎলাইগী করবার চাওখৎলি। মহৈ নিংবা থুংদে। পাখং-লৈশাবীগী ওইনদি মরৈ চক্রি তৌনৈ।

**ধনু ঃ** তাং ২৭ তগী তাং ৩১ ফাওবগী মনুংদা অনৌবা পাউ তাগনি। নুংঙাইবা পাউ তাগনি। মহৈ ফজনা তৌনিংগনি। অনৌবা মরুপ য়ামগনি। লমদা চৎপা কায়দে। মিংচৎ ফংবা পীরি। শুব-নোম্বা কান্নগনি। করবার তৌবা চাওখৎকনি। মীনা চানবীগনি। তাং ১দগী তাং ২ ফাওবগী মনুংদা ৱানোম্বা নিংবা থুংগনি। পাখং-লৈশাবীগী ওইনদি লুহোংই।

**মকর ঃ** তাং ২৭ তগী তাং ৩১ ফাওবগী মনুংদা মীঙোন্দা লৈখিবা শেল, থাজদবা মফমদগী শেল ফংবা পীরি। অনৌবা অফবা মরুপ ফংই। ৱাখল ৱাংই। মথৌ চিল্লি। থৌদোক য়াম্মী। মহৈ ফজনা চৎথৈ। শুব-নোম্বা করবার তৌবা চাওখৎলি। শা-ষনগী মরী ফৈ। লৌউ-শিংউবা চাওখৎলি। তাং ১দগী তাং ২ ফাওবগী মনুংদা ৱানোম্বা মায় পাকই। মিংচৎ ফংই। লাইরিক ইবা, ফোংবগী থবক মায় পাকই। মহৈ ফজনা তৌই। পাখং-লৈশাবীগী ওইনদি লুহোংই।

**কুম্ভ ঃ** তাং ২৭ তগী তাং ৩১ ফাওবগী মনুংদা অনৌবা পাউ তাগনি। নুংঙাইবা পাউ ফংগনি। অনৌবা মরুপ, মরী-মতা ফংই। মচা-লন, শেল ফংবা মতম ওই। শুব-নোম্বা, শেম-শাবা, লাই য়েকপগী থবক চাওখৎলি। তাং ১দগী তাং ২ ফাওবগী মনুংদা করবার চাওখৎলি। লৌউ-শিংউবা, শা-য়েন, ঙাগী করবার চাওখৎলি। লমদা চৎলি। মহৈ ফজনা তৌই। পাখং-লৈশাবীগী ওইনদি লুহোংই।

**মীন ঃ** তাং ২৭ তগী তাং ৩১ ফাওবগী মনুংদা লাইরিক ফোংবা, ইবা, মিংচৎ ফংবা, মীনা চানবা, ৱানোম্বা মায় পাকপা, শেল মখোং পানবা মতমনি। শা-ষনগী মরী ফবা ৱাৎলি। লৌউ-শিংউবগী থবক্তা চাওখৎলি। মরুপ য়াম্মী। মচা-মশু ফংই। মরী-মতা চাওই। তাং ১দগী তাং ২ ফাওবগী মনুংদা মহৈ ফজনা চৎলি। মিংচৎ ফংই। মীঙোন্দা লৈখিবা শেল ফংই। লমদা চৎপা কায়দে। পাখং-লৈশাবীগী ওইনদি নুংতিগী ৱারী শাবা ফংই।

## ৱারী মচা

# স্বর্গগী লাইরেম্বীশিং

### লমাবম তোমচা সিংহ

মতম অমদা লৈবাক অমদা থোকখিবা ৱারীনি। গন্ধাধর কৌবা মপুকচেল ফরবা প্রজাশিংগী য়াইফনবতা খনবা নিংথৌ অমা লৈরম্মী। অচুম্বা লৈঙাক শাসন তৌদুনা মহাক্না প্রজাশিংবু পেলহল্লম্মী। মহাক্কী অচান-মীরাই নাইদবা সাশন অসিমক্লা প্রজাশিংগা মুক্লবা করিসু লৈরমদে। মহাক নুপী য়াম্না লোনবা নিংথৌ অমসু ওইরমদে। বসুন্ধারী কৌবী মহারানী অমখক লৈরম্মী। মমিৎতা মচা অমত্তা উরক্তবা মতমদা শ্রীহরিগী মন্দির অমা শাগৎতুনা লেঙশিল্লবা মতুংদা নিংথৌ মহারানী অনিনা মচা নুপা অমত্তা পীনবিয়ু হায়না নিজবদগী শ্রী ভগবান্না চানবীদুনা রাজকুমার অমা পীনবিরে। মমিংনা রাজকুমার শিদ্ধার্থ হায়না থোল্লম্মী।

নিংথৌ গন্ধাধরনা নুপী অঙাংশিংবু লুনা তৌরম্মী। মহাক্কী প্রজাশিংদা মরুওইনা নুপীশিংবু য়াম্না ইকায়খুম্ননা চৎকদবনি হায়বসিনা নিংথৌগী অকনবা য়াথং ওইরম্মী। মরম অসিনা মাগী প্রজাশিংনা নুপীশিংদা নত্তবা শাজৎ অমদি ওৎপা নৈবা অমসুং নুপী খাইনবা য়ারমদে। নুপীশিংসু অতোপ্পা নুপাশিংগা লান্নবা য়ারমদে। নুপীশিংনা মাগী মাগী মপুরোইবশিংবু দেবতামক্কি খন্দুনা পুজা তৌনরম্মী। রাম রাজ্যগুম্না লৈঙাক শাসন চত্থরম্মী। প্রজাগী মত লৌরগা লৈবাক্কী চাউখৎ-থৌরাং পায়খৎলম্মী। মাগী প্রজাশিংদা নিংথৌগী অহকপা চৈরাক ফংহন্দে। লৈবাক মরা চেৎনা শান্তি ওইনা পাল্লম্মী। মরুওইনা অঙাংশিংবু মশা মউ ফনা থম্নবা অমদি হৌরক্লিবা নহারোলশিংবু তুংগী অফবা য়ুম্বীরেল অমা ওইহৌনবা অরৈবা সনা-লুপা কায়থোক্তুনা হোৎনরম্মী।

লিংজেল মান্ননা অমত্তা ওইনা খুৎকন-পাঙ্গন্না লৈবসি উবদা অতোপ্পা লৈবাকশিংগী নিংথৌনা গন্ধাধরগী মথক্তা লাঞ্জংগে খক খনখিদে। মহাক্কী মরৈবাক্কীদমক্তা কখোকপসি উবদা অতোপ্পা নিংথৌশিংনা লোইপোৎ কারক্তুনা ইকায়খুম্নরম্মী। লৈঙাক-শাসনগী চুপ্লি পায়রিবশিংগা প্রজাগা মুক্ল রকপদগী লৈবাক কাংখোং চাইদুনা তংদু-লৈতাদবা প্রজাগী পুন্সি মরেল হায়বদু ওইদে। লৈবাক অদগী নিংথৌগী মথক্তা লান দাশিল্লকপা হায়বসিমক্তবু শাসনদা পেল্লক্তবা লৈবদগী খুরক্কী ঈনা লাইশাদুনা অতোপ্পগা লৌতুনরগা লান দাশিল্লকপদগী প্রজাশিংদু হা-কার লাউনা অৱাবা খাঙনরিবনি। তশেংনমক নিংথৌ গন্ধাধরগী মফমদদি মদুমক থোকখিদে। নিংথৌনা হায়বা প্রজাশিংনা য়াবা, প্রজাগী অপাম্বা গন্ধাধরনা নিয়ম চুম্না বিচার চত্থবা মরম্না অতে লৈবাক্কী নিংথৌশিংনা লোইপোৎ কারক্লিবনি।

অসিগুম্বা অনিশুবা লাইরৈবাক্লুম মতিক মঙাল লৈনা নিংথৌ গন্ধাধরনা কোনুংদা মনি-মুক্তাশিংনা ঙানবগুম ঙাল্লম্মী। অয়েংবা খুদিংমক্লা লাইরৈবাক্লুম খন্নরম্মী। ধর্ম্ম লৈবা, মীনুংশি চেনবা নিংথৌ অসিগী নোংপোক সন্নথোংগী অচৌবা লম্পাক অমদা মহাক্লা হৈকোন-লৈকোনগী দৃশ্যা অমা শেমগৎলম্মী। লাইরৈবাক্লুম লৈরিবা কোনুং অসি হৌজিক্তি লৈকোন অদুগী লৈশিংনা ফুগায়না শাৎলকপা লৈনমতনা লম্বী চৎপা যাত্রিকশিংগী থম্মোয় হুহল্লিবা লৈকোন অসি স্বর্গগী জগোয় শাবী অপ্সারশিংগী শান্নফম মীৎয়েং তারকপগুম তৌরি। অয়ুক য়াহৌরকপগা নিংথৌ গন্ধাধরনা, লৈনম চেন্না ফুগায়না শাৎলিবা লৈশিংদু উরুবদা হরাও-তয়াম্না লৈগী লৈরক্তা চংদুনা পুক্লিং মকা লাম্না মোমোন মীনোক্কা লোয়ননা য়েংজৈ। অসুম্না লৈশিং অদুনা নুমিৎনা ময়ুম চংখিবদগী ফুগায়না শাৎপা হৌরকপদা অয়ুক্কী অইংবা নুংশা মঙাল ফাওবা শাৎলিবা লৈশিংগী মরক্তা নুংতিগী নুমিৎ খুদিংগী মমিৎ পেন্না য়েংজরম্মী।

নোংমদি নিংথৌদুনা মহৌশাগুম অয়ুক্তা লৈকোন্দা চংলকপা মতমদা, ওহোকপনি লৈ অমত্তা শাৎলমদবা উরুবদা অঙকপনা খম থেংলম্মী। "পুন্সিদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা থৌদোক অমা ঙসি ঐগী ইফমদা থোক্লরিবসি মঙলা, তাইবংলা, ঐনা লৈকোনসিগী লাইরেম্বীদা করম্বা করি অরানবা তৌখ্রবা" ঙাইহাক খল্লবা মতুংদা, "ওঃ চুম্মী লৈশিং অসিগী সেবা ঐনা খক তৌখিদে। লৈখোং শোম্বীখিদে, লৈখোং শেংখিদে। মসিনা মরম ওইদুনা লৈকোন অসিগী লাইরেম্বীনা ঐঙোন্দা চাংয়েং তৌরিবনি। কনা কনা লৈ ইনাইশা! লাউ লৈখোং শেংসি ঈশিং চাইসি।" নিংথৌ মনাইশিং অদুনা চংলক্তুনা লৈখোং শেংবা য়াও, মখোং শোম্বা য়াও অদুগা খরা অমনা ঈশিং চাইশিল্লকপনা লৈকোন অদু পুম্নং লংখ্রে। খুৎশেমগী নোং চুথখ্রে। লৈ পাম্বীশিং অদু ঈশিংগী মনিল ফংজবদা হরাও-মোমোন নোক্লা মালং-তাম্বাগা লোয়ননা হাই হুম্লক্লে। মদু উরুবদা সনা খুৎ অনি লোন্নরগা, "হে ইমা লৈকোনগী লাইরেম্বী নচানা ৱাখল খজিক থেনখিবদগী ইমাগী সেবা ৱাৎখ্রে। তোল্লবা ননাই গন্ধাধর অমদি ঐগী প্রজাশিংবু নুংশি মীৎয়েং তাবীদুনা মহৌশাগুম্না লৈশিং অসি ফুগায়না শাৎহনবীয়ুকো"। অসুম্না লৈকোনগী লাইরেম্বীদা পুনেমজরম্লগা শঙ্গাইদা লেঙশিনখ্রে।

মথংগী অয়ুক্তা লৈশিং অদুনা ফুগায়না মনীং তৌনা শাৎলম্বা উরুবদা গন্ধাধর হায়নিংঙাই লৈতনা মথম্মোয় অদু পেঙ্গরম্মী। থৱায়না খোইদাজবা লৈ হেক্লগা ঈশ্বরদা কচ্চরম্মী। লৈকোন্দুগী লাইরেম্বী অদুনা অমুকসু চাংয়েং তৌরিব্রা খঙদে, নোংঙাল্লগা হান্নগুম নিংথৌনা অয়ুক্তা লৈকোনদা লেঙশিল্লকপদা, ওহোকপনি লৈ অমা ফাওবা শাৎপা উরমদে। নিংথৌনা ঈশ্বরদা কৎখিবা নিমন্ত্রণ লৈশিং অদু লৌরগা লৈখোংশিংদা চাইথোক্লে। মহাক্না খল্লি, "হয়েংদি য়াহৌ ঙন্না হৌরগা ঐগী লৈ অশাৎপশিং হুরান্দুনা হেক্লিবশিং ফারগা ৱাহং-পাউহং হংলগে" খন দুনা লেঙশিনখ্রে।

স্বর্গদা লৈরিবা জগোয় শাবী লাইরেম্বীশিং অদুনা অহিংগী মতমদা স্বর্গদগী কুমথরক্লগা গন্ধাধরগী লৈকোনগী লৈশিং অদু ইতৎ তত্তনা হেক্লম্মী। নোংঙাল্লমদাই উচেক -ৱায়া খোংলকপা মতমদা অহেকপা লৈশিং পুরগা স্বর্গদা অমুক হনখি। নুমিৎতু গন্ধাধরনা লৈখোংশিংদা চাইখাইরম্বা নিমন্ত্রণ লৈশিং অদু নেৎহৈদবা ওইবনা লাইরেম্বীশিং শক্তিশিং অদু মাঙখিদুনা লৈখোংদা নুংগী মুর্তিগুম্না লেপ্পুনা লৈনরম্বা গন্ধাধরনা থেংনরে। মশক-মতৌ নীংথিনা চংখোল্লবী শকহেনবীশিং অদুনা মরাই লুক্লা লৈখোংদা অহেকপা লৈ চবুল পায়রগা লৈরিবা অদু উবদা অকি-তুজুংবা থাদোক্তুনা হংজরকখি, "হে নিংথিরবী লাইরেম্বীশিং নখোয়রা ঐগী লৈকোনদগী লৈ ইতৎ তত্তনা হেকপীরিবা, ঙসিদি হুরানবা ফারদো হায়য়ু তাসি নখোয় অপাম্বা?" স্বর্গগী অপসরা অমনা খুম্লকখি, "হে মতিক মঙাল চাউরবা নিংথৌ গন্ধাধর, যক্ষরাজ কুবেরগী লৈকোনগুম্না ফজরবা নঙগী লৈকোন্দা শাৎলিবা লৈশিং অসি লৈনম্না স্বর্গ ফাওনা নম্মী। জগোয় শাবী অপ্সরা ঐখোয়গী নাপ্পদা চিঞ্জনিংদুনা অহিংগী মতমদা লাক্লগা লৈশিং হেকপনি। লৈকোনসিগী মপু ওইরিবা নহাকনা লৈখোংদা চাইথোক্তুনা থনম্বা খোঙনা নেৎহৈদ্রবা ঈশ্বরগী নিমন্ত্রণ লৈশিংদা নেৎলুবদগী স্বর্গদা অমুক হনবগী শক্তি অদু মাঙখ্রে। ঐখোয় নহাক্কী লৈ হুরানবা ফারবনিনা নিংথৌগী দন্দি ফংহনবীরো।" স্বর্গগী অপ্সরা লাইরেম্বী নখোয়না ঐগী লৈকোনদগী লৈ হেকপীবা পাপ চেল্লবা ঐসে পুন্যগী মশক ওইরে। নখোয়দা ঐনা অমুক দন্দি পীররোই, হায়য়ু মতৌ করম তৌরগা নখোয়গী মাংখ্রবা শক্তি হল্লক্কদগে? হে পুন্যগী মশক ওইরবা নিংথৌ অদুম্না তাকপীরবনিনো একাদশি ব্রত্ত কৎপা শ্রী হরিগী মনাই ওইবা অমনা মঙ্গল আর্শিব্বাদ পীনবিরবদি ঐখোয়গী মাঙখ্রবা শক্তি হল্লক্কনি।"

খুদক্তা নিংথৌনা মনাইশিং থাদুনা লৈবাক শিনবা থুংনা একাদশি ব্রত্ত তৌবা মী অমা পুরকউ য়াথং তৌখ্রে। নিংথৌ মনাইশিং অদুনা মতম কয়া চংনা একাদশি ব্রত্ত তৌবা মী থিরকপদা ফংবা কৌবা মরৈত্রে। মমৈথংদা ইমুং অমগী মতে -মনাও খৎনদুনা চরা হেন্দুনা লৈরিবী নুপী অমা থেংনদুনা পুরক্লগা নিংথৌদা কৎলম্মী। নিংথৌনা য়াথং তৌরকই, হে প্যুন চেল্লবী নুপী নোংমগী ওইনা চরা হেল্লবদি মদু একাদসি ব্রত্ত তৌবগা মান্নরবনি। মরম অসিনা লাইরেম্বীশিং অসিদা, নখোয়গী মাঙখ্রবা শক্তিশিং অমুক হঞ্জিন্দুনা স্বর্গতা হনবা ঙম্না ওইজরো হায়না মঙ্গল আর্শিব্বাদ পীবিয়ু। চরা হেল্লিবী নুপী অদুনা স্বর্গগী লাইরেম্বীশিং অদুদা আর্শিব্বাদ পীবদগী খুদক্তা স্বর্গদা হনখি। নিংথৌনা চরা হেল্লিবী নুপী অদুদা মনা -মথুম চঙনা পীবিদুনা ময়ুমদা অমুক থিলহনবীখি। নুমিৎতুদগী নিংথৌ গন্ধাধরনা লৈবাক শিনবা থুংনা একাদশি ব্রত্ত কৎকদবনি য়াথং তৌখি।

# নুংশিবা নঙ

### ৱাইখোম ইবোচৌবা মঙাং

সনাতোম্বীগী কলেজ কাবা অহানবা নুমিৎনি অমদি নুপামচাশিংগা লোয়ননা তম্মীন্নবগীসু অহানবা। মহাক্না থোঙজাওগী মমাংদা থারিবা ফালদা ফম্লদুনা ক্লাসতা চংলক্লিবা ছাত্রশিংবু মশক খঙননবা হোৎনবদা মপুক্লিং লুপ্লি। ক্লাস লোয়রদুনা ময়ুমদা হল্লকপা মতমদা মহাক্না ছাত্রশিং অদুগী মায়থোংশিংদুবু অমুক হন্না নিংশিংলুবা মতমদা মায়থোং অমখক্তি মঙোন্দা থোইদোক্লা খোয়দাজরে। মায়থোং অদুতবু মহাক্কী থম্মোইনুংদা মমি তাখ্রে। মথংগী নুমিৎতগীদি সনাতোম্বীনা ছাত্র অদুগী মমিং অমদি লৈফম খঙননবা হোৎনবা হৌরক্লে। লক্ল রক্কনি কিবদগী মহাক্না অতোপ্পা কনাদসু ছাত্রদুগী ৱাফম হংলুদে। অদুবু ক্লাস চংথোক-চংশিন, কলেজগী থবক থৌরমশিংদা মখোয় অনি য়েংনবদি তোক্তে। ছাত্রদুগী মীৎয়েংদগী সনাতোম্বীনা মাবুসু পাম্মী হায়না খল্লম্বা য়াই। মরকসিদা কালেন ছুটি লাক্লে।

ছুটি মনুংদা নোংমদি পোষ্টতা থারকপা চিঠি অমা সনাতোম্বীনা ফংলে। চিঠি থারক্লিবা মাগী মমিং ইরক্তে, শুপ্নতগী রোল নম্বর মরি হায়না ইরি। সনাতোম্বীনা চিঠিদা ইরক্লিবা রোল নম্বর মরি অদু কনা ওইরিগদগে হায়বসি নীংশিংবা ঙমদ্রে। অদুবু চিঠিগী মরোলদুনদি ঙৈহাক্তংগী ওইনা মহাক মঙলান্দা তাউরুরে। চিঠিদুদা সনাতোম্বীবু লাইরৈবাক্কী জগোই শাবী অমগুম ফজবীনি হায়না লৈবাকমচা তাবা লোন্দাদা শৈথারি। ঐগুম্বী অচম্বী নুপী অমবু মহাক্না কয়াদা ৱাহল্লিবা। মহাক্না মহাক্কী নুংশিববু চিঠিদা ফোঙদোক্লকপসিদা ঐনা মাবু উনিংবগী খৌরাংবদু হেন্না হেন্না পোকহল্লে হায়না সনাতোম্বীনা মপুক্লিংদা খনজে।

কালেন ছুটি কারে। কলেজ কারকপদা সনাতোম্বীনা তৌগদবসি মীওই অনিগী মরম খঙবনি। অমনা রোল নম্বর মরি অদুগা অতোপ্পা অমনা মহাক্না খোয়দাজখিবদুগীনি। ইখঙ খঙহৌদনা সনাতোম্বীগী লুহোংবা লেপ্নখ্রে। কলেজ হাংলবা মতুং তরানি কোনবদা সনাতোম্বীগী লুহোংবনি। সনাতোম্বীগী মফমদা লুহোংবা লেপ্নখিবগী নুংঙাইবদি লৈ। অদুবু অমরোমদা মিং লৈফম খঙদবা নুংশিবদুবু খঙননবগী ঙমখৈ য়ৌদবগী অৱাবসু লৈরি।

নোংমা সনাতোম্বীনা মহাক্কী ক্লাসকী মরুপ-মপাংশিংদা মাগী লুহোংবগী বার্ত্তন পীবগা লোয়ননা পুম্নমকপু মতম পুম্বগী ওইনা কায়ন-য়াথং লৌরে। অনৌবা পুন্সিদা খোঙদারক্লবগীদমক মশাবু থৌরাং তৌজরদুনা মপুক্লিংবু ফাথজরকই। অদুবু মহাক্কী অহানবা নুংশিবদি মিং খঙদবা মহাক্লি।

লুহোংবগী অয়ুক্লি। সনাতোম্বীদা মনাওনুপীনা নহাক্কী কলেজগী ছাত্র অমা ইচেবু উন্নবা লাকই হায়রে। সনাতোম্বীনা ৱাইটিং রুমদা চংলকপদা ছাত্র অদুবু উবদা খোঙদগী তোল ফাওবা তুজুংখি। মাঙদা মিং খঙদবা নুংশিবা অদু লেপ্লদুনা লৈরি। সনাতোম্বী মঙলাক্লবগুম লৈরিঙৈদুদা মিং খঙদবা অদুনা চংশিল্লক্তুনা খুদোলপোৎ ময়োম অমা পীরকই। সনাতোম্বী মঙোন্দা থাগৎ ৱাহৈ পীনবগী থৌনা ফাওবা লৈখিদে। মিং খঙদবা মাগী তাংদাংবা অমা খঙনিংবনা লাংতক্লে। নিংজবা অদুনা মনাক্তা লেপ্লুরবদুদদি মহাক্কী খোঙ-খুৎ পংথবগুমখ্রে। মিং খঙদবা অদুদা ৱাহৈ অমা ফাওবা লৈয়েংদুনা খৎপা থোকখিদ্রে। অদুবু মিং খঙদবা অদুনা সনাতোম্বীগী মায়থোংদু পুময়ান য়েংশি য়েংঙমদনা হায়রকই,

ঐগী মিং থানিল কৌই। ঐগী রোল নম্বর মরিনি।

সনাতোম্বী খঙপ্রেক খঙই। হৌজিক্তদা খঙলে মদুদি মঙোন্দা চিঠি ইরকখিবা মিং খঙদবদু মহাকনি। অদুগা ঐনা নিংজখিবদুসু মহাক্লি। মতম অসিদা থানিলনা মখা তারকই,

- নহাক য়াম্না ঙক্লমগনি সনাতোম্বী। ঐঙোন্দা লাক্লিবা থৌনাসিনা নঙোন্দা খুরৌ চেন্নবগী মরম ওইবা য়াই। ঙসিসু ঐনা ঐগী ৱাফম অসি নঙোন্দা হায়বা ঙমহৌদ্রবদি পুন্সিসিমগী ওইনা নুংঙাইতনা লেনহৌরগনি। ঐদি পাংদবনি, মসিমদি ঐ য়াজরে। ঐ নঙগী অপাম্বা খঙলদুনা ঐনা ঐগী অরেপ্পদু চিঠিগী মতেং লৌরগা নঙোন্দা পীখি। ঐগী পেলহৌদবা অমনা নঙনা ঐগী রোল নম্বর থিরকখিবা মতমদুদদি ঐনা তুমিন্না লৈথোকখি। ঙসিদি ঐ ইশানা ইশাগী ইরাল য়াজবদা চিংনবা লৈত্রে। নহাক মতম পুম্বদা য়াইফবী ওইয়ুকো। ঐনা নঙগী নাক্তা লাক্তুনা মরুপনি হায়জবা ঙমজখিদ্রে। ফরে, ঐনা চৎলমদাইগী মতমসিদা মসিতংগা হায়রমগে, নহাক্কী অনৌবা পুন্সি অসিদা নহাক্কী নুংঙাইবখক্তা ওইয়ুকো সনাতোম্বী।

থানিল পঙ্থরমদনা অদুমক চংখ্রে। সনাতোম্বী মঙগুম্না মহাকপু য়েংদুনা লৈহৌরি।

ঙসি থৌদোক অসি থোকখ্রবা চহি কয়াগী মতুংসিদসু সনাতোম্বীগী থম্মোয়নুংদা মহাক্কী নীংশিং মমিদি অদুমক মুৎতনা লৈরি।